# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক চখুবা অদুদা কাংপোকপী জিলাদগী খুৎশু খুৎলায় কয়মরুম ফারে, সেনিপতি অমসুং উখ্রুলদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং মাং তাকহনখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা খুদোংচাবশিং পীনবগীদমক মথং থাদা বিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- হৌখিবা চহি তরা শান্ন-খোৎনবগী লমদা ভারত্তা শিংথানিঙাইনা ওইনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তম্পাক অমসুং চীংগী জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চখুরি। অকনবা চেনশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে-টুদা গাড়ি ১৫৬ অমসুং ৩২৬ প্শিল্লকখ্রে। গাড়িশিং অসি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম থোক্তনবা চিংনবা মফমশিংদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা পোষ্ট অমদা মণিপুর পুলিসনা হায়- থি হুন্নবগী থবক চখুবা অদুদা কাংপোকপী জিলাগী এল. জাংনোমফাইদগী সভেন

পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী স্নাইপ্পর রাইফল অমা, পিষ্টোল অহুম, থ্রি নোট থ্রি বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, ষ্টার দাইন নাইন্তি এক্সপ্লোসিভ মঙা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরুশিং, দিতোনেতর, রেদিও সেটনচিংবা ফাগৎখি। ঙরাং ইম্ফালগী থঙ্গাল বজারদগী মীওই অনি ফানবা হোৎনরম্বা পুলিসনা কলহৌরে হায়রি। থৌদোক্তুগা মরী লৈননা কে.সি.পি (তাইবঙ ঙানবা)গী মীওই অমা ফারে হায়রি। মঙোনদগী নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু তরেৎ অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটকা লোয়ননা ঙরাং মাও পুংদোংদা থারম্বা পোপিশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অদুগী একর ১ রোম চাউবা লমদা থারম্বা পোপি অদুগা মরী লৈননা ভিলেজ চেয়ারমেনগী মথক্তা থবক লৌখৎলগনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা হৌখিবা ইরাইগা থাংজগা লোন্নবা অহিংদা মণিপুর পুলিসনা উখ্রুল জিলাগী খামাসোন চীংশাংদা চথখিবা ওপরেসনদা পোপি থারম্বা মীওই মরি ফারে হায়রি। মফম অদুগী লম একর ৩০ রোমদা পোপিশিং অদু থারম্বনি। মখোয়দগী ইয়ার গন অমা অমসুং থাং ফংলে হায়রি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ টিচিং ওফ সনামহিজম হায়বসিগী মতাংদা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। ইন্তরনেসনেল সনামহি এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা সনামহি লাইনিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

লাইব্রেরি (এল)ঃ গ্লোবেল সেপ্পরস ইম্ফাল হবনা শিন্দুনা অনিসুবা মিনি লাইব্রেরি ঙসি শওম্বুং রিলিফ কেম্পতা হাংদোক্লগনি। রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংদা শিক্ষা অমসুং মহৈ মশিংগী খুদোংচাবা খরদা ওইরবসু ফংহন্নবগী পান্দমদা গ্লোবেল সেপ্পরসনা অহানবা মিনি লাইব্রেরি শজিৱা রিলিফ কেম্পতা হাংদোকখ্রবনি।

মৈ (এল)ঃ  মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রালয়গী ব্যুরো ওফ ইনর্জি ইফিসিয়েন্সিগা খুৎশমদুনা ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন ৱিক ২০২৪ হয়েংদগী পাঙথোক্লগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী ওইবা লাইয়েকপা, রচনা ইবা, ক্বিজ অমসুং দিবেট কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কামজোং জিলাগী মৈরিং খুলদা এন্তি ড্রগ এৱারনেস কেম্পেন পাঙথোকখ্রে। ড্রগ শিজিন্নবনা মীওইবা খুন্নাইদা মাংহল্লিবা অসিবু খঙহন্নবা পান্দমদা কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি। অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী মীফম অমা ককচিং জিলাদা লৈবা পল্লেল গেরিসনদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা অমসুং তৎনা থানদনা করমা লৈগদগে হায়বসিগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা স্বাচতা পখৱারাগী শরুক অমা ওইনা সেহলোন, আইবোল জোপী অমসুং ওল্ড সমতাল খুলদা লু-নানবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, দাইরেক্তর জেনেরেল অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চহি ১৯ মখাগী হোক্কি তুরনামেন্ট ঙরাংদগী খুমন লম্পাক এষ্ট্রো টর্ফ ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। অসাম রাইফলসনা মণিপুর হোক্কি এসোসিয়েসনগী পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা তুরনামেন্ট অসিদা নুপাগী টিম ৬ অমসুং নুপীগী টিম ৫ পুন্না টিম ১১ না শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা আই.জি.এ.আর (সাউথ) মেজর জেনেরেল রভরুপ সিংহ শরুক য়াখি।

পিএম ঃ    প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত ঙসিদি ইং ২০৪৭ ফাওবদা চাওখৎপগী পান্দমলোমদা চংশিল্লক্লি।

অহমেদবাদতা বি.এ.পি.এস করিয়াকর সুভরনা মহোৎসবকা মরী লৈননা ভারচুয়েল ওইনা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী ওইনা লাক্লিবা চহি ২৫ অসি য়ামা মরুওইবা চহি ওইগদৌরি। য়ুক্রেনগী লান মনুংদা ভারতমচাশিংবু পুথোরকবা হোৎনবদা বি.এ.পি.এসনা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- বি.এ.পি.এসনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক লেপ্লা লৈতনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিনা মালেম শিনবা থুংবদা ভারতকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লে।

লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতি অমসুং লাইনিং লাইশোল শন্দোকবা হোৎনবদা বি.এ.পি.এসনা লৌরিবা থৌদাংবুসু পধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- সরকারনা হৌদোকখিবা এক পেরা মাকে নাম অভিয়ান অসি হৌজিক্তি মালেম শিনবা থুংবদা খন্ন-নৈনবা হৌরক্লে। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা অনৌ অনৌবা খুদোংচাবশিং পীনবগীদমক মথং থাদা বিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ পাঙথোক্লগনি। মসিদা নহাশিংনা চাওখৎপা ভারত অমা ওইনবগীদমক মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং অদু ফোংদোকপগী খুদোংচাবা পীগনি।

থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহসু শরুক য়াখি। গোল্ডন জ্বিলি সেলেব্রেসন অসি ঙরাং নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখ্রে। মদুদা লৈবাক ৩০ গী ভোলুন্তিয়ার লাখ অমা হেনবনা শরুক য়াখি।

মন্দাভিয়া ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- হৌখিবা চহি তরা শান্ন-খোৎনবগী লমদা ভারত্তা শিংথানিঙাইনা ওইনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

নুমিৎ নিনিগী নাগালেন্দ খোঙচৎতা ঙরাং কোহিমাদা থুংখিবা মন্ত্রিনা থৌরম অমদা ৱা ঙাংমদা হায়- মতম অমদা শুপতগী শান্ন-খোৎনবগী লমশিংদা শরুক য়াবা লৈবাক অমা ওইরম্বদগী ঙসিদি ওলিম্পিক, পেরা লিম্পিক নত্রগা অন্তরজাতিগী ওইবা তুরনামেন্টশিংদা ভারত মপুং ওইবা লম্বা অমা ওইরক্লি। মহাক া হায়- শান্ন-খোৎনবগী লমদা অওনবা পুরক্লিবা অসি নিংথিনা প্লান্নিং তৌবা

অমসুং গ্রাসরুট থাক্তগী শেমগৎলকপদগীনি। মন্ত্রিনা কোহিমাদা লৈবা খেল্লো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্তর ওফ এক্সিলেন্সতা কোর্সশিং অমসুং শান্নরোইশিংগসু উন্নখি।

রাজনাথঃ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগা ঙসি রসিয়াগীদমক নিউ দিল্লি থাদোক্লগনি। মহাকা লৈবাক অদুদা লৈরিঙৈদা রাসিয়াগী ঙাকশেল মন্ত্রি এন্দ্রে বেলাউসোপকা লোয়ননা ২১ শুবা ইন্দিয়া রসিয়া ইন্টর-গভর্ণমেন্তেল কম্মিসন ওন মিলিটরি এন্দ মিলিটরি টেকিকেল কো-ওপরেসনগী মীফমদা শরুক য়াগনি।

মোস্কোদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা লুচিংবা অনিনা ঙাকশেলগী লমদা লৈবাক অনিনা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়ননা মতেং পাংননবা ৱাফম কয়াসু খন্নরবা য়াই। শ্রী রাজনাথগী খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা হয়েং ইন্দিয়ান নেভিগী খ্বাইদগী নৌবা জহাজ আই.এন.এস তুশিল কেলিনিনগ্রেদতা লৈবা য়ান্ত্রা হিথাংফমদগী কম্মিসন তৌগনি। ঙাকশেল মন্ত্রিনা অনিসুবা লাঞ্জাউদা লৈখ্রিদবা সোভিয়েটকী লান্মীশিংগী মোস্কোদা লৈবা সিমিত্রিদা চত্তুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নুমিৎ ১০০ নি চত্থগদবা ইন্তেন্সিফাইদ টি.বি. কেম্পেন হৌদোকখিবগী পাউ, পোলিতিকেল লিদর অমসুং মীয়ামা মণিপুরগী লানগী থৌদোকশিং দিল্লিদা শবাক ফাক্কদৌরি হায়বা পাড, য়ুনিয়ন কেবিনেটনা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিদা অনৌবা নবোদিয়া বিদ্যালায়াশিং হাংবগী অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, সনালৈবাক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল অমদি মোর্নিং

বেলদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পোলিতিকেল লিদর অমসুং মীয়ামা মণিপুর লানগী থৌদোকশিং দিল্লিদা শবাক ফাক্কদৌরি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈবাক অসিদা অনৌবা নোবিদয়া বিদ্যালয়াশিং হাংবগী অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী মপুং ওইবা য়েকবা কনানো খঙবা মীকুপ্তা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন লাক্কনি হায়বা অমুকোগী ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লান মায়োকরবসু সরকারগী ৱার ওন ড্রগস লেপ্পা লৈতে, একর ৩০ দা থারম্বা পোপি দিক্তেদ তৌরে, মরি ফারে হায়বা পাউ মণিপুর নিউজগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কমলবাবু লংলা লংজিল খঙখিদবা নুমিৎ ১৩ নি শুখ্রে, লৈমাখোংদগী আর্মি লৌথোকবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌগদবনি- কমিতি হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

দিসেম্বর ১০ গী খোঙজং মীয়ামা শরুক য়াবীয়ু, নুমিৎসিদা শিন্থা লেপ্পীয়ু- লুপ মঙা হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা ইন্তেন্সিফাইদ টি.বি. কেম্পেন হৌদোকখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল অমসুং মোর্নিং বেল পাউচেশিং অসিদসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

নুপী অঙাং হাৎপশিং অহকপা চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------